# হিংচাবী খুরুম্বদা ঙাক্রা য়াওখিবগী ৱারী

## ফুঙ্গা ৱারী

**থোকচোম থৌয়াঙবা**

**তাইবঙ** পানবগী মপু ইবুংঙো মহাক্না তাইবঙ কুম্মৈ অমা শান্নগে কুম্মৈ অদুবু য়েংলগা ইবুংঙো মহাক্কী হরাওবা নুংঙাইবা অপেনবা ওইরগে নীংলদুনা মপারি অশিবা সনামহীবু কৌরকই। অদুগা হায়রকই, "ইপাগী ইবুংঙো অশিবা সনামহী ইপানা তাইবঙ পানবা অসিদা নমু তাইবঙ মীওইবা ইপারি ইমোম পুথোক্তুনা তাইবঙ কুম্মৈ অমা শান্নগে কুম্মৈ অদুবু য়েংলগা ইপাগী হরাওবা নুংঙাইবা ওইরগে হায়না খল্লেদো। মরম অসিনা পারি নহাক্না নমু তাইবঙ পানবনা লৈননবা মালেম ফম্পাক অমা শেমলুরো।" মপারি অসিনা পন্থৌগী য়াথং মতুং ইন্না মালেম শেম্বা হৌরকই। অশিবা সনামহীনা মালেম শেম্বা হেক হৌবগা মশানৌ ইবুংঙো হারাবা লৈথীনগায়ি কৌবা অমনা ময়াম্বনা শেম্বা মালেমসে য়ৈখাইরে থীনগায়রে চায়খাইরে। অশিবা মালেম শেম্বা ঙমহন্দ্রে।

মতম অসিদা অশিবা সনামহী মপন পন্থৌ তোংবানবা মপুগী মনাক্তা লাক্লে অদুগা হংগৎলরে, "পন্থৌ ইপা ইবুংঙো নপারিনা মালেম শেমজববু সানৌতোন ইবুংঙো হারাবনা য়ৈখাই থীনগায়বা পীররে। নপারি ঐহাক মালেম শেম্বা ঙমজররোই।" মচাগী য়াৱা তারগা তেংবানবগী মপুনা হায়রকই, "পারি ইবুংঙো অশিবা নঙনা মালেম শেমদ্রবদি ইপানা তাইবঙ কুম্মৈ শান্নগে হায়না খল্লিবা অসি কায়রগনি তাইবঙ কুম্মৈ শান্নবা য়াররোই অদুনা পারি নঙ মালেম শেম্লুরো নপন পন্থৌ ঐহাক্না নসানৌ ইবুংঙো হারাববু খামজিল্লগে।" মপন পন্থৌগী য়াৱা মতুং ইন্না অশিবা সনামহী অমুক হন্না মালেম শেম্বা হৌখ্রে। হৌখিবগা তাইবঙ পানবগী মপুনা ইবুংঙো মহাক্কী ওই থংবা খূৎনা ওই থংবা ফৈবোমদা তক্লগা চেং মরুমুক চাউবা পোৎশক অমা পুথোক্লে। হয়রিবা পোৎশক অসিনা তেংবানবগী মপুনা নুপী অমগী চেংলৌ শক্তম অমা শারে। চেংলৌ শক্তম অদুগী মমিংবু তেংবানবগী মপুনা 'নুরা ইবেম্মা' হায়না থোনবীরে অদুগা নুরা ইবেম্মা অদু তেংবানবা মপুগী ওইথংবা খুদোম্বীদা হাপকৎলে হায়রগা তেংবানবগী মপুনা হায়রকই, "ইপাগী ইমোম নুরা ইবেম্মা নহাক্না অশিবা সনামহীনা মালেম শেম্বদা য়ৈখাই থীনগায় পীরিবা হারাবা কৌবা খোইয়ুমসে খামজিল্লু অদুগা অশিবা সনামহীবু মালেম শেম্বা ঙমহল্লুকো।" ৱারম অসি হায়দুনা নুরা ইবেম্মা মহাকপু অতিংঙা অহাংবা তরং মালং অসিদা থাংগৎলক্লে অতিংঙা অহাংবা তরং মালং অসি য়ৌরকপা মতমদদি নুরা ইবেম্মা কৌবা খোইয়ুমদো ৱাং চাউরবী নীংথিরবী চুং ফিরাল চারবী শাবান নুংবান ফজবী মশেক মঙালনা ইরং লংবা ঙানবী খোইমোম লাইরেম্বী অমা ওইনা লাংওল্লক্লে। খোইমোম লাইরেম্বী অদুগী মমিংবু তেংবানবগী মপুনা 'নোংথাংলৈমা' হায়না থোনবীরে। নোংথাংলৈমা উবদা হরাবা পুমঙক ঙকখ্রে। অশিবনা মালেম শেম্ববু য়ৈখাই থীনগায়বা পূম্নমক নোংথাংলৈমা উবা কাউখ্রে।

চীংঙু কনাগী মমোমনো চেংলৌ হেন্না নীংথিদা মিৎফম হোংবা য়াদেদা কোলোই মমিংনা করি কেবনো চীংঙু ঐগা শক খঙনরুগে হায়না হারাবা নোংথাঙলৈমগী মফমদা চৎখ্রে। অসুম্না হারাবানা নোংথাঙলৈমগী মফমদা চৎখ্রিঙৈগী মতম অসিদা অশিবা সনামহী মালেম শেম্বা লোইখ্রে। মতম অসিদা নোংথাংলৈমনা অশিবা মালেম শেম্বা লোইখ্রে হায়বসি খঙলে। নোংথাঙলৈমনা পাইমা



লেন্নৈ ঙাক্রা চি শাংবিনা শন্দংগী মহুৎ শিল্লগা হৈরম ৭, লৈরম ৭, কবোক নাচল ৭ য়াওনা পোৎ খুদিংমক তরেৎ তরেৎনা খুজিং ওইরগা নমু তাইবঙ মীওইবশিংবু তীলকোকপিয়ু, লাইকোকপিয়ু হায়না থৌনিবগী শক্তম

পীবুক্লুংদা খল্লি ইপা ইবুংঙো তেংবানবা মপুনা ঐগী ইফমদা পীরকপা শিন্থাদি হারাবা খামজিল্লু অশিববু মালেম শেম্বা ঙমহল্লু হায়না শিন্থারকপনি। হৌজিক্তি ইপানা পীরকপা শিন্থা পাঙথোক্লে। চীংঙুগী শিন্থা অমা অমুক লৈত্রে হৌজিক্তি খোইমোম লাইরেম্বী নোংথাংলৈমা ঐগী ইনীং তম্লগে হায়না খন্দুনা নোংথাঙলৈমনা মমোম লাংলেন হিংচাবী সলাই তরেৎ পুথোক্লে। মমিংনা-মোমনুবী, মোমসেম্বী, মোনসাম্বী, মোনসাওরি, লাংনুবী, লাংঙনুবী অমসুং চেংবী হায়না থোনবীরে। অদুগা মচা হিংচাবী তরেৎকী মফমদা, "ইমাগী ইমোম হিংচাবী সলাই তরেৎ নখোয়না মালেম তাইবঙ পানবা অসিদা ননীং নখা তম্না হাইনা হুম্না পাল্লুরো অদুগা মালেম অসিদা নমু তাইবঙ মীওইবা হায়দুনা পাল্লরখিনি মখোয়গী মফমদসু নখোয়না তীলওকপা লাইওকপা তৌদুনা তাইবঙশিংনা ঙাঙলোইদববু ঙাঙহল্লুরো, নোকওইদববু নোকহল্লুরো, য়ৈখাই থীনগায়বা কয়া পীরুরো।" অসুম্না হায়না মমোম তরেৎ থাদোরক্লে। নোংথাঙলৈমনা মমোম হিংচাবী সলাই তরেৎ পুথোরকপা তাইবঙ পানবা মপুনা উরে। অদুগা মপু মহাক্না করম্নো ইমোম লাংলেন নোংথাঙলৈমা মমোম হিংচাবী সলাই তরেৎ পুথোক্লগা মালেম তাইবঙ পানবা অসিদা মনীং মখা তম্না পাল্লুরো নমু তাইবঙশিংদসু তীলওকপা লাইওকপা, য়ৈখাইবা থীনগায়বা কয়া পীরুরো হায়না থাদোরক্লে। নমু তাইবঙ মীওইবশিং অসিদি হিংচাবী মখোয়গা লম্বা তৌনদুনা খৎন-চৈনবসু ঙমলোই ওন্থোক্না খুদোংথীনা হিংগদৌরেদা অদুগীসু মথক্তা খোইয়ুম খোইমোম কনানা তাইবঙশিং অসি হিংচাবী সলাই তরেৎ অসিগী মফমদগী কনবীবসু ঙম্লরোইদৌরি কমদৌসিগে খল্লি। খনবা মখৈ খল্লুরগা তেংবানবগী মপুনা পূম্নমক্কী মরক্তগী খ্বাইদগী নুংশিজবা কাঙলূপনি মপু ঐ হেক্তা তাইবঙশিংসি কল্লুরগে খন্দুনা তেংবানবগী মপুদো হিংচাবী সলাই তরেৎ অদুগী মফমদা লাক্লে। অদুগা হায়রকই, "হায় হায় ইপাগী ইমোম হিংচাবী সলাই তরেৎ নখোয়না হয়েং নমু তাইবঙ মীওইবশিংগী মফমদা তীলওকপা লাইওকপা, য়ৈখাই থীনগায়বা, অৱা অনা কয়া পীরবা মতমদা নখোয় তরেৎকী নফমদা নমু তাইবঙশিংবু হৈরম ৭, লৈরম ৭, কবোক নাচল ৭, শেঞ্জা মাইঙৌবী ৭ তরেৎ তরেৎনা খুজিং ওইরে হায়রগা তরা নচিঞ্জাক তমহনগে মতম অদুদা নখোয় ৭ না নমু তাইবং অদুবু তীলকোকপিয়ু লাইকোকপিয়ুকো।" মতম অদুদা হিংচাবী সলাই তরেৎ অদুনা তাইবঙপানবা মপুগী মফমদা হায়খি, "ইপা ইবুংঙো তেংবানবগী মপু নমোম লাংলেন হিংচাবী সলাই তরেৎ ঐখোয়দিনে শন্দং হায়বা শাসে য়াম্না চাজনিংঙি, শন্দং হায়বা শাসে য়াম্না পামজৈ। অদুনা নমু তাইবঙশিংদো শন্দং হায়বা শাসি ঐখোয়গী ইফমদা কৎহনবিয়ুকো।" মতম অদুদা তেংবানবগী মপুনা অমুক হায়খি, "হায় হায় ইমোম লাংলেন হিংচাবী সলাই তরেৎ ইপা ৱা হায়গে তাও হয়েং মালেম তাইবঙ পানবদা তাইবঙ কুম্মৈ য়াওরগদৌরিবা নমু তাইবঙ ইপারি ইমোমশিং অদুদি নখোয়গীদমক্তনি হায়দুনা শন্দং হায়বা শা অসি কৎপা ঙম্লোইদো অদুনা শন্দংগী মহুত্তা তাইবঙশিংবু নখোয়গী নফমদা লেন্নৈ ঙাক্রা চি শাংবি অসিনা শন্দংগী মহুৎ শিল্লে হায়রগা ইপানা ঙসাই নখোয়গী নফমদা হায়খিবা হৈরম ৭, লৈরম ৭, কবোক নাচল ৭ অসি য়াওনা পোৎ খুদিংমক ৭ তরেৎনা খুজিং ওইরে হায়রগা কৎহনগে। মতম অদুদা নখোয় নমু তাইবঙ মীওইবশিংবু তীলকোকপিয়ু, লাইকোকপিয়ুকো।" মতম অদুদা হিংচাবী সলাই ৭ অসিনা তেংবানবা মপুগী মফমদা হায়খি, "ইপা ইবুংঙো তেংবানবগী মপু চীংঙু পন্থৌ ইপানা হায়বিরিবা নয়াথং অসি হিংচাবী সলাই ৭ ঐখোয় য়াজরে।" মরম অসি লৈখিবদগী হিংচাবী খুরুম্বদা ঙাক্রা য়াওখিবনি।○

---

## জাতক্কী শৈরোল

**মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা**

### হুৱানবশিং অমসুং লন-থুম

বক্ষ্মদত্ত' কাশীদা পাল্লিঙৈগী মতমদা,
বদের্ভ খঙবা ৱাক্ষ্মন 'মা লৈখি খুঙ্গং অমদা।
বেদর্ভ কৌবা মন্ত্রদি অঙকপগী মন্ত্রনি;
গ্রহ তিন্নরকপদা মন্ত্র অসি শোন্দৌনি;
লন থুম মখল তরেৎতি তারক্কনি মথক্ত'ই।
মন্ত্র অসি বোধিসত্ব তমজখিদো ব্রক্ষ্মনদ'ই।
নোংমা মখোয় অনীনা খুঙ্গং লান্না চৎলম্মী;
সেটি লৈবাক য়ৌনবা উমং অমা লাল্লম্মী।
উমং লাল্লকপদুদা ডাকু মঙা থোরকখি।
গুরু শিষ্য অনীবু শেলবু পীয়ু ফাজিনখি।
শেলবু য়াওদে হায়বদা লৌরুনবা থাখরে;
নহা শিষ্য অদুবু; গুরুবুনা ফাহৌরে।
চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা গুরুদবু হায়জখি,
"ননাই লাকচদ্রিমখৈ," ব্রাক্ষ্মনদবু নোঞ্জখি,
"শোনবীরুনু মন্ত্রদো খুদোংথীবা ফংগনি।"
অসিবুদি হায়রম্ল' নহা হান্না লাকপনি।
নুমিদাংবু য়ৌরক্লে থানা তরং থোরক্লে;
পুনবিরিবা গুরুদো অৱা' কোক্কে খল্লক্লে।
গ্রহনবুদি য়েংলগা শোল্লে বেদর্ভ মন্ত্রবু,
সনা লুপা মথক্ত'ই হৈথরক্লে য়াম্নবু।
ডাকু ময়াম হরাউরে; সনা লুপা খুল্লগা,
মফমদু'ই চৎখরে ব্রাক্ষ্মন্না তুংবু ইল্লগা।
ওন্থোকপনি নোংদম্বা! ডাকু খূৎপু অদুবু
অতোপ' খূৎপু অমনা ফাখরেদো লোইনবু।
অদুক য়াম্বা লন্দুবু ব্রাক্ষ্মন্না পী' তাবদা
পীয়ু তক্লে ব্রক্ষ্মন্দা সনা-লূপা মখোয়দা
ঙমদ্রবদা ব্রাক্ষ্মন্দো থাঙনা কল্ল' হাৎখরে;
চৎখ্রিবশিং তান্নর' মখোয়বুসু ককখরে।
অকোনবগী কাঙবুনা ফংখ্রে লন্দু লোইনবা;
লনবু মিহৌবদগী হৌখ্রে মশেল হাৎনবা।
অকোনবদা অনীমরক্তা শঙহৌই অমা লনয়ামদো;
অমা চৎখি খুঙ্গংদা চীঞ্জাক থিগে হায়দুনা।
চীঞ্জাক থিরু' নুপাদো হাৎখ্রে শঙহৌরিবনা।
অমদুসু চীঞ্জাক্তা হুবু ফুম্ন' লাকপনি;
মদু চারু মক্তদা অমদুসু শিবনি।
কল্লক মিহৌ চাউবদ'ই 'সুম্না মাঙখি লোইনবা;
মওং চাদ' ফংব লন ওইরে ময়াম মাঙনবা।
বোধিসত্ব মংকৎপু পুরদুনা য়ৌরক্লে,
অশিবা ময়াম মরক্তা গুরু য়াওবা উরক্লে।
"গুরু'ই তাহারুবনা মশা শিরে" হায়রগা,
নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লম' অশি' পোৎলোইরম্লগা,
মদোম ঙায়র' বোধিসত্ব জঙ্গল মনুং ফাওরকখি।
অশিবা অনী' মতুংদা লনবু ময়াম থেংনখি।
"অরান' থবক তৌরবা মশা'ই ওইজ' থিদুনা,
মাদ নত্তে মাঙদৌবা মীসু মাঙনি মাদৌনা।"
অসুম্নদি হায়রম্ল' লনবু ময়াম পুরকখি,
লৈত লায়র কয়াদা লন্দো দানবু তৌথোকখি।○

---

## অঙাংশিংগী মশান্নবা

**মংশাতাবম চনু নলিনী**

### পোৎ য়োনবী শান্নবা

**পোৎ য়োনবী** হায়বা মশান্না অসি মীতৈগী মহৌশাগী ওইবা মশান্নশিংগী মনুংদা অমনি। মসি চাউরাক্না চহী তরেৎতগী তরামাথোই ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শান্নবনি। মসিদগী হেন্না পীকপা অমসুং চাউবা অঙাংশিংসু মশান্না অসি করি-করিগুম্বা মতমদা শান্নে। পোৎ য়োনবী হায়বা মশান্না অসি অঙাংশিংনা অয়ূক নৎত্রগা নুংথিল অনীগী মরক্তা শান্ননীংবা মতমদা শান্নে। মশান্না অসি অঙাংশিংনা শুমাঙ অমসুং শঙ্গোয়নচিংবদা অয়াম্বা শান্নে।

মশান্না অসি শান্নবগী মওংদি অঙাংশিংনা পোৎ য়োনবী হায়বা মশান্না অসি শান্ননবগীদমক্তা ইংখোলদগী ফংবা মনা-মশিং, চেঙমানবা, থাউনম মরূ অমসুং য়েমপৎ মপাল, মরোই নাপাকপী মানবা শেম্বাং কাউথ্রুম, তিলহৌগী মহুত্তা য়েনশিন অচৌবগী মরূ অসিনচিংবা অমান-অমানবা পোৎ-চৈগী মহুৎ শিল্লগা হেক্লুদুনা য়োনবী শান্নে। পোৎ য়োনবী শান্নরিবা অঙাংশিংনা পোৎশিং অদু ফাল অমমমদা লূকমায়দা হাপ্তুনা য়োনবগুম মখল মখল খাইদোক্লগা মনা-মশিংশিং অদু য়োল্লি। অঙাং খরনা পোৎ লৈননবগীদমক চুরুট উপুনা শাবা চেজেৎ নৎত্রগা ইচম চম্বা চেনা পৈশা শারগা লৈবা লাকই। মতৌ অসুম্না অঙাংশিংনা লৈবা অমসুং য়োনবগী থবক অসি চৎথৈ।

পোৎ য়োনবী হায়বা মশান্না অসি অঙাংশিংনা শান্নবদা অহল-লমনশিংনা অথিংবা পীদে। মশান্না অসি শান্নবদা অঙাংশিংনা লূকমায়গী মহুত্তা উনা শাবা ফাল নৎত্রগা উপাক মচেৎনচিংবা কয়া ইমুংদগী পুথোক্তুনা শান্নে। ইংখোলদগী চেঙ-চাক, হৱাই-চেঙৱাই অমসুং মনা-মশিংনা মহুৎ শিনবা য়াবা পোৎ-চৈ খরা হেক্লুরগা শান্নে। মশান্না অসি শান্নবনা অঙাংশিংদা তুংদা ওইরক্কদবা কয়ামরুম অদু হান্না মাঙজৌননা অঙাংশিংদা খঙহল্লি। পোৎ য়োনবী হায়বা মশান্না অসি অঙাংশিংনা ফম্লগা অমসুং লেপ্লগা শান্নে।○

### ঈন চিংবী শান্নবা

**ঈন চিংবী** হায়বা মশান্না অসি মীতৈ অঙাংশিংনা মমাঙঙৈদগী হৌনা শান্নরকপা মশান্নশিংগী মনুংদা অমনি। মশান্না অসি চাউরাক্না চহী তরেৎতগী তরাফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শান্নে। মসিদগী হেন্না পীকপা অমসুং চাউবা অঙাংশিংসু মশান্না অসি করি করিগুম্বা মতমদা শান্নে। ঈন চিংবী হায়বা মশান্না অসি নুপীমচাশিংনা নিংথমথাদা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা হেক হেক শান্নে। অঙাংশিংনা মশান্না অসি মাঙ্গোল অমসুং শঙ্গোয়নচিংবদা শান্নে।

মশান্না অসি শান্নবগী মওংদি ঈন চিংবী হায়বা মশান্না অসি শান্ননবগীদমক্তা অঙাংশিংনা কোয়চৎ চত্তুনা য়েংথৌগুম্বা অশাংবা চৈ অমা থিরুরগা চৈ অদুগী মতোন্দা ফিনা কিশিল্লগা চৈ অদুগী মখোক্না দারী মখাদা শৌরগা অহলশিংনা ঈন চিংবগী মওংগুম্না চিংদুনা শান্নে। ঈন চিংবী হায়বা মশান্না অসি শান্নবদা য়েংথৌগুম্বা অশাংবা চৈ অমগা থৌরী ওইননবা ফি মচা নৎত্রগা ফিগী মহুত্তা চুজাক্কী অঙৌবা মকূ ময়াম অদু কোয়চৎ চত্তুনা থিরুরগা কূপ্লপ কূপ্লপ শেৎলগা মথং মথং কিশি কিশিল্লগা থৌরী শাই। মশান্না অসিদা ঙা হাপ্লনবা তুঙ্গোলনি হায়দুনা কৌতা মচা অমা মখোয়গী য়েৎথংবা নাকন্দা থম্মী।

ঈন চিংবী হায়বা মশান্না অসি অঙাংশিংনা শান্নবদা অহল-লমনশিংনা অথিংবা পীদে। মশান্না অসি শান্নবনা অঙাংশিংদা হয়েং তুংফাওবগী কান্নরবা হৈনবী অমা পোকহল্লি। মশান্না অসি অঙাংশিংনা লেপ্লগা শান্নে।○

---

## মণিপুরী পাউরৌ

**লোইতোংবম বীরজিতা দেবী**

### লুকোকপদা লেন তাবা

শম হৌদবা লুকোকপা মীওইদা লেন তাশিন্দুনা মকোক্তা পাল্লবদি অনাবা ওই। শম হৌবা কোক্তা লেন্না পানবদা নাবদগীদি শম হৌদবা লুকোকপদা তাবা লেন্না হেন্না অনাবা ফাওই। পাউরৌ অসিগা লোয়নরিবা ৱাখল্লোনদি কনাগুম্বা মীওই অমনা অৱাবা তারিঙৈ মতমদা হেন্না অৱাবা অমমুক নংবা য়াওই। অসিগুম্বা মতম অসিদদি মীদু য়াম্না অৱাবা ওইদুনা খাঙফম খঙদবা ওইহল্লি। মীওইবনা পুন্সিদা অৱাবা অমা মায়োক্ন রিঙৈদা অৱাবা অমমুক মায়োক্নরকপা মতমদা অসিগুম্বা পাউরৌসি হায়না শক্নদুনা অৱাবগী মতৌবু তেংথাই॥

— — –

### লিন্না চিক্ত্রিবা মীনা লিনগী মহূ খঙদে

লিন হায়বসি মহূ পানবা জীব মখল অমনি। অসিগুম্বা মহূ পানবা লিন্না চিকপদগী তাইবঙ মীগী পুন্সি মাঙবসু য়াওরিবনি। করিগুম্বদা লাইবক ফদুনা চিকপগা থেংনদুনা কন্না লায়েংহৌরগা হিংবসু য়াওই। অসুম্না শাথিখ্রবা লিন অসিনা চিক্ত্রিবা মীনদি মাগী মহূদু কয়াম কনবগে খঙবা ঙমদে হায়বদু পাউরৌ অসিনা ফোঙদোক্লি। পাউরৌ অসিগা লোয়নরিবা ৱাখল্লোনদি পুন্সিদা হকথেংননা অৱা-অনা থেংনরুবা মীতনা মদুগী চৈনাখোন্দু খঙই, অৱা-অনা থেংনদ্রিবা মীনদি মদুগী চৈনাখোলদু খঙবা ঙমদে হায়বনি। মরম অদুনা পুন্সিগী তৌগদবা থবক থৌরমশিংদি হকথেংনরগা খঙলকই অদুগা অমুক্তা হকথেংনদ্রিবা মীনা খঙদে হায়বা ৱাফমবু পাউরৌ অসিনা উৎলি।○

———

### পুক ফবগী শরুক থুংদে

সমাজদা লৈরিবা মীওইশিং অসি অমগা অমগা মান্নদে। মীগী মশকসি অফবা-ফত্তবা হায়দুনা খায়দোক্নৈ। অফবা মীশিংদি মশাগী ওইজবা থোইনা খন্দে। ময়ামগী ফননবা খল্লি। মরমদুনা মশাগী কয়া খলহৌদবনা মাগী শরুক্তি কয়া থুংগন্দে। মমা মপা ওইবশিংনসু মচা-মশুশিংগী মরক্তা য়াওবা খরা ফবা মচাদুগীদি করিসু থোইনা হায়রক্লোই হায়বগী ৱাখলদা অচা-অথক পীবদসু কোন্না পীগে নিঙাই ফত্তবা মচাদুনা হান্না পীগে হোৎনবদা মানা লোয়না চাথোকখিদুনা অফবা মচাদুগী শরুক থুংহৌদবসু য়াওদবা নত্তে। অসুম্না মশাগী কয়া খন্দবা মবুক ফবা মীওইশিংগীদি মশাগী ওইবা শরুক কয়া থুংগন্দে হায়বদু তাই। অসিদসু নত্তনা মী অমা ওইরবদি কা-হেন্না পুক ফদোকপগীসু কান্নদে, ইশাগী ওইজবা শীৎলি। মতম চানা ইশাগী কান্নবসু খরা য়েংগদবনি হায়বদু পাউরৌ অসিদা ফোঙদোকই। পুন্সিদা মতাং চাদনা পুক ফরিবনি হায়দুনা লৈথোকখ্রবসু ওইজবা শীৎলি হায়বদু পাউরৌ অসিনা উৎলি।○